### সঙাই ট্রোফি ভেটরান'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ

# মুসা মেজর খুল অমসুং ভসাই থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ :
ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাৎশোইগী পময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা মুসা মেজর খুলনা য়ু ভি এস এ চজিংবু ২-০ দা অমদি অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ভসাই থাংমৈবন্দনা এ টি ভি এফ এ থাংমৈবন্দবু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা মুসা অমদি য়ু ভি এস এ অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। মেচ অদুদা অহেনবা মতিং লৈনা শান্নখিবা মুসানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখিবনা গোল চন্নবগী খুদোংচাবশিং ফংখি।

মুশানা মায়োক্নখিবা য়ু ভি এস এগী সাইদতা তৌখিবা অকনবা এটেকশিংদা মেচকী মিনিট ১০ চৎপা মতমদা এস সোমোরজিৎনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। য়ু ভি এস এসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। অদুবু মুসাগী লিংলবা দিফেন্সতা পাক হেক হাইজিনবা ঙমদনা লৈখিবদগী গোল চন্নবগী আশা মাঙখি।

মুসানা হনবা লৈতনা তৌখিবা এটেকশিংদা গোল চনবা য়াবা ফজরবা খুদোংচাবা অমা অনী ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। মখোয়না তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১৮ চৎপা মতমদা সোমোরজিৎনা মহাক্কী অনীশুবা ওইনা গোল অমগা চনশিনখিদুনা অহানবা হাফ ফাওবদা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। য়ু ভি এস এদি ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা মুসানা টেম্পো লৈনা শান্নরক্তুনা য়ু ভি এস এগী মায়কৈদা অহেনবা গোল চন্নবগীদমক তকখৎখি। য়ু ভি এস এসু মরক মরক্তা মুসাগী মায়কৈদা কাউন্টর এটেক তৌদুনা চেলেঞ্জ তৌখি।

টিম অনীমক্না সেকেন্দ হাফতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী মুসানা য়ু ভি এস এবু মায়থীবা পীখি। মুসাগী টি সিহলামবু মেচকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা রেফ্রিনা কোসন পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ভসাই অমদি এ টি ভি এফ এ অনীনা শান্নখি। টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা অমনা অমগী মায়োক্তা পাক হেক লাকশিন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

ভসাইনা মখোয়গী মশক নাইরবা ভেটরান প্লেয়রশিংনা গোল চন্নবা অকনবা মওংদা এটেক তৌখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২২ চৎপা মতমদা রাজেন খা ঙমবনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অহানবা হাফ ফাওবদা এ টি ভি এফ এনা ইক্বেলাইজ তৌগদবা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা শোথনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না অহানবা হাফতগী হেন্না মতিং লৈনা শান্নরকখি। টিম অনীমক্না মখোয় মখোয়গী মায়োক্নখিবা সাইদশিংদা গোল এটেম্পশিং তৌদুনা চঙশিন্নখ্রবসু গোল অমত্তা হাফ অসিদা চনবা ঙম্নখিদবদগী এ টি ভি এফ এনা ভসাইগী মখূৎতা সোলিটরি গোলদা মায়থীখি।

### পুপু কপ অন্দর-১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# জি এস সী য়ূম্নাম খুনৌনা য়ু এফ সী লমলাইবু, এফ সী হৈককমপালনা অনীশুবা এম আর এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ :
পুপু পুংদোংবম্না শিন্দুনা পুংদোংবমদা লৈবা লমলাই হায়স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু কপ) অন্দর-১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা জি এস সী য়ূম্নাম খুনৌনা য়ু এফ সী লমলাইবু ৪-১ দা অমসুং অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এফ সী হৈককমপালনা অনীশুবা এম আর এফ সীবু ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা জি এস সী য়ূম্নাম খুনৌ অমদি য়ু এফ সী লমলাই অনীনা শান্নরকখি। মেচ হেক হৌখিবগা জি এস সীনা মায়োক্নখিবা টিমগী মায়োক্তা তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫ চৎপা মতমদা দিনমনিনা গোল অমা চনখিদুনা ১-০ দা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থানা চৎখি।

গোল হেক চনখিবা মতুং মেচকী মিনিট তরুক চৎপা মতমদা জি এস সীগী রোবিচন্দ্রনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

জি এস সীদি হনবা লৈতনা মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা এটেক তৌবা লেপখিদে। মখোয়না তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ২৬ চৎপা মতমদা রবিচন্দ্রনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি।

জি এস সীনা হঞ্জিন হঞ্জিন গোল চনখিবদা তপথদ্রবা য়ু এফ সীনার কাউন্টর এটেক তৌদুনা জি এস সীগী মায়কৈদা চঙশিনখি। অদুবু গোল চনবদি ঙমখিদে। মখোয়না অমুকসু হন্না মায়োক্নখিবা জি এস সীগী সাইদতা চঙশিনখিবা অকনবা শাফু অমদা গোল চল্লম্বা য়াবদু শোয়বদগী চনবা ঙমখিদে। অহানবা হাফ ফাওবদা জি এস সীনা ৩-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা মমাঙগী হাফতা শান্নবদগী হেন্না মতিং লৈনা শান্নরকখিবা য়ু এফ সী লমলাইনা মায়োক্নখিবা সাইদতা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা এল নাওথোইনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা ১-৩ দা লৈখি।

য়ু এফ সীনা গোল চনখিবদগী জে এস সীসু অহেনবা গোল চন্নবা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা অকনবা শাফু পীদুনা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা কিষন্না গোল অমা চনশিনখি।

মখা তানা টিম অমত্তনা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী জি এস সীনা য়ু এফ সীবু ৪-১ দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এফ সী হৈককমপাল অমদি অনীশুবা এম আর এফ সী অনীনা শান্নখি। এফ সী হৈককমপালনা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌদুনা চৎখি।

মায় পাকখ্রবা এফ সী হৈককমপালগী গোলশিং অদু নোংদম্বনা মেচকী মিনিট ১৮ দা, বোইচানা মেচকী মিনিট ১৯ দা, নরেসনা মেচকী মিনিট ২৭ তা অমদি অর্জুননা মেচকী মিনিট ২৯ দা গোল অমমম চনখিদুনা মায় পাকখি। এফ সী হৈককমপালদি গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

# নেসনল আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুর টিমসু শরুক য়াগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ : দেল্লিনা য়ূম্বু ওইদুনা লাক্লিবা মে ১৮ দগী ২১ ফাওবা নুমিৎ মরিনি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা ৪১ শুবা নেসনল আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী আর্মরেষ্টলিং টিমসু শরুক য়াগনি হায়না মণিপুর আর্মরেষ্টলিং এসোসিএশনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী টিম অসি হন্দক্তা এপ্রিল ২১ অমদি ২৩ ফাওবা কোংবা ষ্টুদেন্ট ক্লব কোংপালনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৩৫ শুবা ষ্টেট আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা উৎখিবা প্লেয়রশিংগী পার্ফোমেন্স অদু য়েংলগা খনগৎখিবনি হায়রি।

হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক্তা খনগৎখ্রবা মণিপুর টিমগী আর্মরেষ্টলরশিং অদুদি জুনিয়র গার্লসকীদা কেজি ৪৫ গী কাঙলুপ্তা ঈ কে জিগী আর কে ষ্টেলা অমদি এস ঐচ সর্জুবলা, কেজি ৫০ গী কাঙলুপ্তা জে এন ভি খুম্বোংগী কে এস ঐচ তম্ফামনি অমদি কে লৈশেম্বী, কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা এম সীগী পি জয়া অমদি ঈ কে জিগী টি ঐচ তন্না, কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা জে এন ভি খুম্বোংগী দেলফি সনসম, কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা য়ু জিগী দেবিকা হুইদ্রোম, কেজি ৭০ মথক্কী কাঙলুপ্তা য়ু জিগী টি ঐচ নাওচা অমদি ঈ কে জিগী এল চাউবনি।

সেনিয়র ৱিমেনগীদা কেজি ৫০ গী কাঙলুপ্তা ঈ কে জিগী কে প্রেমিলা অমদি এম পি এস সীগী আর কে তম্ফাস্না, কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা এম সীগী পি জয়া অমদি ঈ কে জিগী কে বিনোদিনি, কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা ঈ কে জিগী এল চলচলকুমারি অমদি এম রোজিমালা, কেজি ৬৫ গী কাঙলুপ্তা ঈ কে জিগী কে এস ঐচ নন্দিনি অমদি কে এস ঐচ শান্তা, কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা এম পি এস সীগী এম মেমচা অমদি সী ঐচ পারবতি, কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা ঈ কে জিগী এস ঐচ অরুনা অমদি এম পি এস সীগী ঐচ পিগো অমসুং কেজি ৮০ মথক্কী কাঙলুপ্তা ঈ কে জিগী এস ঐচ শান্তী অমদি কে এস ঐচ সুসিলানি।

জুনিয়র বোইজগীদা কেজি ৫০ গী কাঙলুপ্তা ময়াসাগী টি সনায়াই অমদি টি ঐচ প্রেমজিৎ, কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা ঈ কে জিগী কে ঐচ পিনতু অমদি ময়াসাগী কে ঐচ ৱিলসন, কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা ময়াসাগী দল্লিয়ু প্রেমজিৎ অমদি দল্লিয়ু ঐচ এসকী এম দি ৱাজিট, কেজি ৬৫ গী কাঙলুপ্তা মাবোয়গী টি ঐচ য়াইফবা, কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা মাবোয়গী এস অরুন, কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা ও ৱাই ওগী দল্লিয়ু সিটলজিৎ অমসুং কেজি ৮০ মথক্কীদা ময়াসাগী টি বিদ্যাসাগরনি।

সেনিয়র মেন'সকী কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা ময়াসাগী টি ঐচ তোম্বা অমদি ঈ কে জিগী টি ঐচ জয়কুমার, কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা এম পি এস সীগী এল পাওলিনলোং অমদি ময়াসাগী কে কিরনকুমার, কেজি ৬৫ গী কাঙলুপ্তা ময়াসাগী টি ঐচ ওথেলো অমদি এম রামা, কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা ময়াসাগী ঐচ দিপু অমদি মাবোয়গী এস অরুন, কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা এম পি এস সীগী এম দি কলাম অমদি ময়াসাগী কে ইনাও, কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা এম পি এস সীগী এন জিবন অমদি ময়াসাগী শান্তা, কেজি ৮৫ গী কাঙলুপ্তা এম পি এস সীগী টি ঐচ ওকেন্দ্রো অমদি মাবোয়গী টি ঐচ সুরচন্দ্র, কেজি ৯০ গী কাঙলুপ্তা মাবোয়গী টি ঐচ মিলন, কেজি ১০০ গী কাঙলুপ্তা ঈ কে জিগী টি ঐচ সরত অমদি এম পি এস সীগী কে ধনবির, কেজি ১১০ গী কাঙলুপ্তা ময়াসাগী কে ঐচ সঞ্জিৎকুমার, কেজি ১১০ মথক্কীদা এম পি এস সীগী টি ঐচ তোনদোন অমদি ময়াসাগী টি বিদ্যাসাগরনি।

মাষ্টরগী কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা ময়াসাগী টি ঐচ ওথেলো অমদি এম পি এস সীগী টি জয়েন্তা, কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা এম পি এস সীগী এম জিবন অমদি এম দি কলাম, কেজি ৯০ গী কাঙলুপ্তা এম পি এস সীগী টি ঐচ ওকেন্দ্রো অমদি এম দি অবদুল সলাম, কেজি ১০০ গী কাঙলুপ্তা ঈ কে জিগী কে ঐচ সরত অমদি এম পি এস সীগী কে ধনবিরনি। কেজি ১০০ মথক্কী কাঙলুপ্তা এম পি এস সীগী টি ঐচ তোনদোন অমদি ময়াসাগী কে ঐচ সঞ্জিৎকুমারনি। হেন্দিকেপকীদা কেজি ৭৫ কাঙলুপকীদা টি ঐচ জয়কুমারনি।




HL-B/3812/16/4-15 june


# ইন্দিয়ানা য়ু এস ওপন করাটে চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল ১৬ লৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ২৫ :
য়ু এস এনা য়ূম্বু ওইদুনা মসিগী লাস বেগাসতা চথখিবা য়ু এস ওপন করাটে চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল অহুম, শিলভর মেদল অনী অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১১ পূন্না মেদল ১৬ লৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা সাইফালি অগরৱাল অমদি অভিসেক সেনগুপ্তনা তোঙান তোঙানবা ইনিদভিজুএল ইভেন্ট অনীদা শরুক য়াখিদুনা গোল্ড মেদল অমদি শিলভর মেদল লৌখি। ইন্দিয়ানা টিম ইভেন্টতসু গোল্ড মেদল অমগা লৌখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি সেনসৈ য়াসপাল সিংহ কালসিনা লুচিংখি। ইনিদয়ন কন্টিঞ্জেন্টতা য়াওরিবা অভিসেক সেনগুপ্তা, রানতেজ সিংহ, হরচরন সিংহ চৌহান অমদি শাইফালি অগরৱালনা সেনসৈ কালসিগী মখাদা ট্রেন তৌখিবনি।


সেনসৈ কালসিনা হায়খি, মসিগী গ্লোবেল ফোর্মেট অসিবু এক্সপোজর অসিনা ইন্দিয়ন প্লেয়রশিংবু হেন্না হৈথোই শিংথোইবা ওইহল্লগনি অমদি মখা তানা মায় পাক্না চঙশিনবসু ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

ইন্দিয়াগী করাটে টিমনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা করাটেকাশিংনা অকনবা লম্বা তৌদুনা মেদলশিং লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিমনা মতুং তারকপদসু তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা মায় পাক্না হল্লক্কনি হায়বগী থাজবা থম্নখি।




HL-B/3831/25/04-25/5


Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com